# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 18-06-2026)

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ২৫ শুবা দা গ্রেট জ়ন অপরাইজিং, যুনিতি ডেগী থৌরম ঙসি অথৌবশিংগী য়াতাফম, ইম্ফালগী কেক্রেুপাৎতা পাঙথোক্লি।

২) মণিপুরদা কা হেন্না শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিদগী চেকশিন্নবা হেলথ এদভাইজরি অমা নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা থোকখ্রে।

৩) দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা নসা মুক্ত সপ্তাহ থা অসিগী ২৬ ফাওবা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চখ্থগনি।

৪) মণিপুরগী জিলা অনি- সেনাপতি অমদি ফেরজোল ঙসিদগী হৌনা জন কল্যান সিবির কেম্পশিং হৌদোকখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা পেরিসতা অৱাংবা থাক্কী মীফমশিংদা ফ্রান্সকী লল্লোন ঈতিক্কী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নখ্রে।

------

জ়ন ১৮ (এল)ঃ ২৫ শুবা দা গ্রেট জ়ন অপরাইজিং, যুনিতি ডেগী থৌরম ঙসি অথৌবশিংগী য়াতাফম, ইম্ফালগী কেক্রেুপাৎতা পাঙথোক্লি।

কুমজা ২০০১ দা মনিপুরগী অপুনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈ ঙাকবা চংশিনখিবা মীয়ামগী খোঙজংদা লৈখিদ্রবা অথৌবা ১৮ অদুবু নীংশিংদুনা

থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমসুং য়ুনাইটেদ কমিতি মনিপুর (য়ু.সি.এম) গী অপুনবা ওবজারভেসন কমিতিনা শিনবা থৌরম অদু অয়ুক অঙনবদা য়াকাইরোল শক্তুনা হৌদোকখি।

মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফুরুপ কয়াগী মীয়মানা লাক্তুনা কেক্রুপাৎতা লৈবা জন্ ১৮ গী নীংশিং খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরমসিগা মরী লৈননা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোকখি।

গ্রেট জন্ অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে পাঙথোক্লিবা অসিগী মতাংদা ওবজারভেন্স কমিতিগী ভাইস চেয়ারমেন-সঞ্জয় সোরোকখাইবমনা হায়- ঐখোয়গী ইরমদম অসি মচেৎ তানা কায়বা য়ারোই। মসি কনবদা ঐখোয় পুমমক া পুন্না হোৎনরি অমসুং ইরমদম অসিবু কনবা হায়বসি ঐখোয় পুমমক্কী ইথৌদাংনি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংবদা ২৫ শুবা দা গ্রেট জন্ অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে কমিতিগী চেয়ারমেন ৰাই.কে. ধিরেননা হায়- মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমকা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবনা রাজ্য অসিদা চাওখৎপগী লম্বীদা মাং থানা চৎপা ঙমগনি। ফুরুপ অমনা ফুরুপ অমবু অৰাংবা থাক্তা ইকায় খুমবা অমদি মতেং পাংনদুনা হিংমিন্নবা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা অমুকোগী এদভাইজর-ইতো তোংব্রম, য়ু.সি.এমগী য়ুমামচা দিলিপকুমার অমসুং খোমদ্রাম রতন, অমকিলগী লৌরেম্বম ঙানবী, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পাইবী অপুনবা মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-সোরাইসম মেমচা অমদি কংলামৈগী প্রসিদেন্ট-ৰাই. লৈরিক লৈমানানচিংবা শকাইরবা কয়া শরুক য়াখি।

২৫ শুবা দ গ্রেট জন্ অপরাইজিং-য়ুনিতি ডে থৌরমগা মরী লৈননা অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিত-থার্তি সভেন (শিংজমৈ টু য়াইস্কুল)না শিন্দুনা য়ুনিত অসিনা কোনবা মফমশিংদা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। পুন্না তেঙ্গোল্লোই ১০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা হিচম য়াইচম পাৎ, শিংজমৈ কৈথেল, পিশুম কৈথেল অমদি শিংজমৈগী অকোইবদা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অদু পাঙথোকখি।

এদভাইজরি (এল)ঃ  মণিপুরদা কা হেন্না শাবগী চাং হেনগৎলকপগা মরী লৈননা মীয়ামা চেকশিন্না লৈনবগী মতাংদা হেলথ এদভাইজরি অমা নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা থোকখ্রে।

নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরগী নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেত চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথনা থোকপা এদভাইজরি অসিগী মতুংইন্না অসিগুম্বা মতম অসিদা মীয়ামা ঈশিং য়ামা থকপা তঙাইফদে। ঈশিং খৌরাংদ্রবসু য়ারিবা মখৈ ঈশিং থকপনা কা হেন্না শগৎলকপা মতমদা হকচাং চোকথবদগী কনবা ঙমহল্লি। ওরেল রিহাইদ্রেসন সোলুসন নত্রগা য়ুমদা শেমজবা চম্প্রা মহি নত্রগা হৈ মহি থক্লবসু য়াই। শাগৎলকপা মতমদা মতম মতমগী ফংবা হৈ অমদি ইনসাং নাপী চাবনা ইশা চোকথবদগী ঙাকথোকহল্লি।

এদভাইজরি অসিদা মতম পুমমক্তা ইশাগী কোক কুপশিনবা, অপাবা ফিরোল শেৎপা, নুংশাদা থোকপা মতমদা খোংউপ নত্রগা চপল তোংবা, ইশা ইশাগী য়ুম ইংথনা থম্বা, নুমিদাংগী মতমদা থোঙনাউ হাংদোক্কনি হায়বনচিংবা য়াওরি।

চান্দেল (এল)ঃ দাইরিয়া লায়না শন্দোরকপা থিংনবগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেসন কমিতিগী মীফম ঙসি চান্দেলগী মিনি সেক্রেতরিয়েটতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হেমন্টকুমারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা জিলা অসিগী এস.দি.ওশিং, হকশেল বিভাগকী ওফিসিয়েলশিং, আই.সি.দি.এস, পি.ঐচ.ই.দি, ইজ্‌কেসন, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি অতৈ মরী লৈনবা বিভাগ কয়াগী মীহুৎ কাংবুশিংনা শরুক য়াখি। জিলা অসিদা দাইরিয়া লায়না শন্দোরকপা থিংনবগী কেম্পেন মপুং ফানা চৎনহনবদা লৈরিবা সরকারগী বিভাগশিংগী ওইবা লৌফম থোকপা দাইত্ব লৌহন্নবগী মতাংদা মরুওইনা মীফম অদুদা খন্নখি।

নসা মুক্ত (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা ঙরাংদগী নসা মুক্ত সপ্তাহ পাঙথোকপা হৌখ্রে। চয়োল পালন অসি থা অসিগী ২৬ ফাওবা

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথ্খগনি। পালন অসিগী থিমদি- নসা মুক্ত ভারত অভিয়ান-ভিক্সিত ভারত-কী পহেচান হায়বসিনি।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ব্রাঞ্চ ওফিসারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- পালন থৌরম অসি ময়াই কাবা নিশা শিজিন্নবা অমদি নিশা শিজিন্নদবা খুনাই অমা ওইবা হায়বসিগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অসি মরুওইনা নুপীশিং, নহাশিং অমদি মহৈ তম্ফমশঙশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা পাঙথোকপনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- নিশা শিজিন্নদবা ভারত অমা ওইনবগী পান্দমদা লৈবাক শিনবা থুংনা চথ্খরক্লিবা অসিগুম্বা থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ খুদিংমক থৌদাং লৌহন্নবা অমদি মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্ননবা পান্দম থল্লি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী মফম খুদিংমক্তা পুন্না ৱাশক লৌমিন্নগনি। নসা মুক্তি মিত্রগী রেজিষ্ট্রেসন দ্রাইভ চথ্খবতা নত্তনা নসা মুক্ত ভারতকী সিগনেচর কেম্পেনসু স্কুল কলেজশিংদা চথ্খগনি। থৌরম অসি জিলা অসিগী মফম শিনবা থুংনা য়ৌহন্নবা আশা অমদি অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংনা য়ুমথোঙ খুদিং চত্তুনা ইনফোর্মেসন, ইজ্কেসন এন্দ কম্যুনিকেসন (আই.ই.সি)গী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। তুংদা, অখন্নবা হেলথ কেম্প, যোগ সেসনসু দিএদিক্সন সেন্তরশিংদা পাঙথোক্কনি।

সিবির (এল)ঃ মণিপুরগী জিলা অনি- সেনাপতি অমদি ফেরজোল ঙসিদগী হৌনা জন কল্যান সিবির কেম্পশিং হৌদোকখ্রে।

সেনাপতি জিলাগী মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা কেম্পেন অসি থা অসিগী ২০ ফাওবা চথ্খগনি। জিলা অসিগী সব-দিভিজনশিংদা পাঙথোক্কদবা কেম্পেন অসিগী মনুং চন্না কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনগনি অমদি কান্নবা পীগদৌরি।

কেম্পেন অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা সেনাপতিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ধরুন কুমার এসনা হায়- সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা

য়াইফ থৌরাংগী কান্নবশিং মীপুম খুদিংমক্কী য়ুমথোঙ খুদিংদা ফংহন্নবগীদমক থৌরম অসি পায়খৎপনি। মহাকা হায়- সরকারগী লোইশঙশিংদা চত্তুনা অসিগুম্বা তঙাইফদবা স্কিমশিং নত্রগা কান্নবশিং অসি লৌননবা হোৎনবদা মীয়াম া থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী য়েংলগা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগী খুদোংচাবা মীয়ামা লৌবীয়ু।

থৌরম অদুদা কিসান ক্রেদিৎ কার্দ, শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং, ভরমি কমপোজ, হিয়ারিং এইদ, হুইল চেয়ার, ৱাকিং ষ্টিক, পি.এম.জে.এ.ৱাই কার্দ অমদি সি.এম.ঐচ.টি কার্দ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া বেনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনা ঙসি ফেরজোল জিলাদা জন কল্যান সিবির হৌদোকখ্রে। নুমিৎ হুমি চুপা চত্থগদবা কেম্পেন অসি জিলা অসিগী পারবুং কম্ম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখি। হৌদোকপগী থৌরমদা হেলথ, এগ্রিকলচর, এম.এস.পি.দি.সি.এল, জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিস অমদি ইনফোর্মেসন টেকোলোজি বিভাগ শরুক য়াখি। মদুদা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী স্কিমশিংদা নৌনা মীং চনবা অমদি রেজিষ্টর তৌবগী কান্নবা মীয়ামদা ফংহনখি। মসিদসু নত্তনা পারবুং অমদি মসিগী থংনবা খুলশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা পি.এম.জে.এ.ৱাই, সি.এম.ঐচ.টি, পি.এম কিসান অমদি পি.এম সুরিয়া ঘর স্কিমগী ওন স্পোট রেজিষ্ট্রেসন অমদি ভেরিফিকেসনশিংসু তৌখি। কেম্পেন অসি জিলা অসিগী ওইনা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা চত্থগনি।

অমরোমদা ঙরাংদগী হৌদুনা কাংপোকপী জিলাদা চত্থরকপা জন কল্যান সিবিরগী নিনি চনবা নুমিৎতসু ঙসি জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামদা কান্নবা কয়া পীখি। জিলা অসিগী দি.আই.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- কাংপোকপী জিলাগী সব-দিভিজন ৯ দা ঙসি তোঙান তোঙানবা কেম্প কয়া পাঙথোকখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না পি.এম.জে.এ.ৱাই, সি.এম.ঐচ.টি, কিসান ক্রেদিৎ কার্দনচিংবগী কান্নবা মীয়ামদা ফংহনখি।

কামজোং জিলাদা ঙরাংদগী হৌদুনা চত্থরকপা জন কল্যান সিবির কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি জিলা অসিগী কোনকান, মাকু হাইস্কুল

অমদি ফলাং কম্মুনিতি হোলদা কেম্পেন চখখি। রাজ্য সরকারগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মীহুৎ কাংবুশিং অদুনা য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখিবতা নত্তনা কান্নবা কয়াসু ফংহনখি। জিলা অসিগী ওইনা কেম্পেন অসি হয়েং ফাওবা চখগনি।

তেংনৌপল জিলাদসু কেম্পেন অসি মখা চখরি। ঙরাংদগী হৌদুনা চখরকপা কেম্পেন অসিগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা জিলা অসিগী খাংসিমদা লৈবা খাংসিম কম্মুনিতি হোলদা রাজ্য সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা মীয়ামদা কান্নবা কয়া ফংহনখি।

তমেংলোং জিলাদসু কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী লৈরিবা স্কিমশিং মীয়ামদা কান্নবা ফংহনখি। লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা চখগদবা কেম্পেন অসিগী মনুং চন্না ঙসি জিলা অসিগী মিনি ষ্টেদিয়মদা মল্টিপরপজ হোলদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা হাংবা ষ্টোল ১৭ ফমখি।

রিমস (এল)ঃ রিমস ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ প্লাষ্টিক সর্জরিনা মণিপুর প্লাষ্টিক সর্জরি সোসাইতিগা খুৎশমনা শিন্দুনা ইষ্ট জোন বর্ন সি.এম.ই ২০২৬ ইম্ফাল ঙসি রিমসকী সুস্রুতা হোলদা হৌখ্রে। মীফম অসিগী থিমদি- ইমপেথি এন্দ ইনোভেসন ইন বর্ন মেনেজমেন্ট-ফ্রোম একুট কেয়ার টু স্কার রিভিজন হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা নেসনেল একাদমি ওফ বর্নস, ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসার সামিক ভত্তচারিয়া, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসার নেপ্রম সঞ্জিৎ সিংহ, রিমসকী দিন একাদমিক্স প্রোফেসার লাইশ্রম রাজেশ সিংহ অমসুং রিমসকী প্লাষ্টিক সর্জরি দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসার অকোইজম ইবোহল সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নেসনেল একাদমি ওফ বর্নস, ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসার সামিক ভত্তচারিয়ানা হায়- মমাংঙৈগী মতমদা কেরোসিন শিজিন্নদুনা মৈ থাল্লিঙৈ মতমদা মৈ চাক্কুনা ইশা শোকপগী থৌদোকশিং য়ামা

লৈরম্মী। অদুবু চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অসিগুম্বা থৌদোকশিং শিংথানিঙাই ওইনা হন্থরে।

জেনিমস (এল)ঃ রিলিফ কমিতি জেনিমস হোস্পিতাল-পোরোম্পাৎ হৌদোকখিবগী সিলভর জুব্লি সেলেব্রেসন ঙসি জেনিমসতা পাঙথোকখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-রিলিফ কমিতি হোস্পিতাল অসি হেক হাংদোরকপদগী হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা ইহৌ অমসুং থৌদোকশিংদা অৱা অনা তাখ্রবা অমদি অশোক অপন নংখ্রবা মীওই লিশিং ৩, ৫১৩ কমিতি অসিনা লায়েংখ্রে। মখোয়দুগী মনুংদা ইং কুমজা ২০০১ গী জুন ১৮ গী সিজ ফয়ার ইশুদা শোকখিবা ৩০৫, কুমজা ২০০৪ গী জুলাই ১৬ তা থাংজম মনোরাম থৌদোক্কী অশোকপা ৪৩৯, কুমজা ২০১৫ জুলাই ৮ গী আই.এল.পিগী থৌদোক্তা শোকখিবা ৩০৬ অমসুং কুমজা ২০২৩ গী মে অহুমদগী থোরকখিবা ইরাংদা শোকখিবা লিশিং ২,৪৬৩ য়াওরি।

সোসিয়েল (এল)ঃ রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার দাইরেক্তোরেটনা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং অঙ্গনৱাদি হেল্পর লৌনবগী অইবা চাংয়েং পরিক্ষা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ থা অসিগী ২০ দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু থা অসিগী ২৭ তা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

সোসিয়েল ৱেলফ্যারগী দিরেক্তর সৈখ অবদুল হকিমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- পরিক্ষা অসি ইম্ফাল, বিষ্ণুপুর, ককচিং, জিরিবাম, তমেংলোং, নোনে, উখ্রুল, কাংপোকপী, সেনাপতি, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং তেংনৌপলদা পাঙথোক্কনি। চাংয়েং অসিদা মায় পাক্লবশিংগী হন্তরভিউ থা অসিগী ২৯ দগী মথং থাগী ১০ ফাওবা চত্থগনি। কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী এদমিট কার্দ দিপার্টমেন্টকী ৱেব সাইটতগী থা অসিগী ২৪ দগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি হায়রি।

লিলা (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিনা শিনবা ৫২ শুবা ওল মণিপুর শুমাং লিলা ফেষ্টিভেল ঙরাং লোইশিনখ্রে।

নুপা কাংলুপকী ওইনা সনালৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী নিংতম্বগী মহাওনা বেষ্ট প্রদক্সন, অনিসুবা বেষ্ট প্রদক্সননা শঙাই আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী মেরাগী মঙালনা তারে। হায়রিবা লিলা অনি অসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা হয়েং অমুক শান্নগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা পেরিসতা অৱাংবা থাক্কী মীফমশিংদা ফ্রান্সকী লল্লোন ঈতিক্কী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নখ্রে। মীফমশিং অদু ভারত অমসুং ফ্রান্সকী মরক্তা শেল থুম অমসুং উদ্যোগকী তেংবাং পীনরিবা অদু হেন্না চেৎশিনহন্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি।

প্রধান মন্ত্রিনা মীফম অসিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদা শরুক য়াগনি অমসুং ভারতনা টেকোলোজিগী লমদা চাওখৎলকপা কয়া অদুবুসু শিংথাদুনা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লবা য়াই। প্রধান মন্ত্রিনা মফম অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগা উন্ননবা অখন্নবা থৌরম অমসু শিল্লি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী নুমিৎ মঙানিগী মধ্য প্রদেশ অমসুং উরিষা খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরে। মহাকা ইন্দোর এয়ারপোর্টতা থুংলবদা মধ্য প্রদেশকী রাজ্যপাল মঙ্গুভাই পাতেল অমসুং মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মোহন যাদবনা তরামা ওকখি।

ইন্দোরদগী রাষ্ট্রপতিনা ইম্পৱারমেন্ট ওফ ত্রাইবেল কম্ম্যুনিতিজ থ্রু স্পিরিচুয়েল এৱেক্কনিং হায়না মীংথোনবা থৌরম অমা য়াওনবা বেতুল য়ৌনা চৎখি। থৌরম অদু প্রজাপিতা ব্রহ্মকুমারিজ ইশ্বরিয়া বিশ্ববিদ্যালয়না শিনবনি। থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতি মুরমুনা হায়- ত্রাইবেল ফুরুপশিংদা শক্তি পীনবা মীফম অসি লমদম অদুগীদা নত্তনা লৈবাক পুম্বগী অমসুং খুনাই পুম্বগী ওইনা য়ামা মরুওই।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফিফা ঃ  ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী ঙরাং নুমিদাং পোরতুগালগা দি.আর. কোঙ্গোগা শান্নখিবা মেটচতা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১ মখায়দা শান্নখিবা মেটচতা ইংলেন্দনা ক্রোয়েসিবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি। ঙসি  অয়ুক পুং মরি মখায়দা শান্নখিবা মেটচতনা ঘানানা পানামাবু পাঞ্জল ১-০ দা অমসুং অয়ুক পুং ৭ মখায়দা শান্নখিবা মেটতনা কোলম্বিয়ানা উজবেকিস্তানবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

ঙসি নুমিদাং পুং ৯ মখায়দা চেচিয়াগা সাউথ আফ্রিকাগা শান্নগনি। নোংয়াই মতুং পুং ১২ মখায়দা স্বিটজরলেন্দ অমদি বোসনিয়া এন্দ হারজেগোভিনা শান্নগনি। অদুগা হয়েং অয়ুক পুং ৩ মখায়দনা কেনাদা অমদি কটার শান্নগনি। অয়ুক পুং ৬ মখায়দনা মেক্সেকো অমদি সাউথ কোরিয়া শান্নগনি।

পোলো ঃ  রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেসকী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর পোনি সোসাইতি, মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন অমদি মণিপুর ইক্বেষ্ট্রিয়ান এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা পোনি হেলথ কেম্প অমা থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্লগনি। লমফেলপাৎতা লৈবা মণিপুর পোনি ব্রিদিং ফার্মদা পাঙথোক্কদবা কেম্প অসিদা শগোলগী মেদিকেল চ্যেকঅপ অমদি নোংজ্ থাগী মাংওইননা অখণ্ড অহৈশিংনা লায়না লাইওং কয়াগী মরমদা খঙহনগনি হায়রি।

ফুটবোল ঃ  মরিসুবা মায়পাকপী মেমোরিয়েল ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সভেন আইট সিক্স স্পোর্তিং ক্লবনা শঙ্গাইয়ুম্ফম এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা রোসন এফ.সিনা তোকে এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**হোকিঃ ওকলেন্দগী নোর্থ হারবর নেসনেল হোকি সেন্টরদা চথুরিবা এফ.আই.ঐচ. হোকি ৱিমেন্স নেসন্স কপ ন্যুজিলেন্দ ২০২৬ কী অনিশুবা পুল (এ) গী মেটচ অমদা ভারতনা জপানবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।**

**--দ্বিজমনি--**